**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 19-05-2025)**

**শিরুই(এল)ঃ** নুমিৎ ৫ নি চথ্নগদবা মঙাশুবা সিরুই লিলি ফেষ্টিভেল হয়েংদগী উখ্রুল জিলাগী সিরুই ভিলেজতা লৈবা হেরিতেজ গ্রাউন্দদা হৌদোক্লগনি। ফেষ্টিভেল অসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হৌদোক্কনি। মসিগীদমক রাজ্যপাল ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা থুংলরে। রাজ্যপাল হেক থুংলবগা থৌরম পাঙথোকফম বক্সি গ্রাউন্দদা লৈবা সিরোক ভেন্যুদা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখি। তুংদা, রাজ্যপালনা লোংপিদা চৎতুনা খুঞ্জাশিংগা ৱারী শান্নখি অমদি খুঙ্গং অদুদা পুথোকপা লোংপি চফুশিং য়েংখি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-ফেষ্টিবেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা য়ানবা শেম শাবগী থবক লোয়শিল্লে। হন্দক চহিগী ফেষ্টিবেল অসিগা য়ামা চান্ননা মালেমগী অতৈ মফমদা ফংদবা শিরুই লিলি নীংথিনা শাৎপা উরে।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা ঙসি শিরুই মাউন্তেন্ট টুরদা শরুক য়াখি। থৌরম অসি রাজ্যগী ইদ্যুকেসন(এস) বিভাগ অমসুং সমগ্র সিক্ষা মণিপুরনা শিনবনি। মহৈরোইশিংদা শিরুই লিলিগী মতাংদা অমসুং লৈ অসি করমা য়োকখৎকদগে হায়বগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহনখি। মহৈরোইশিংনা মফম অদুদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

মরক অসিদা, জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পোলি মকাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল য়াওবা অমসুং য়েংবা লাকপশিংনা অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা য়াইঙংপোকপী

ফাওরগা উখ্রুল হেদক্বাটর য়ৌরক্কদবনি। নুংথিল পুং মরিগী মতুংদা চৎথোক চৎশিন তৌবশিংগী ওইনদি সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংলগা চৎহনগনি। অদুমওইনমক, অহিং নোংয়াই মতুংদগীদি লন্থী অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারোই। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মীয়ামনা করিগুম্বা ইমর্জেন্সিগীদমক পুলিস কন্ট্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বর-৮৭৩০০-৯০৮৯০ দা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেল্প লাইন নম্বর-৯৬১২-৯৩৭-৫৪১, ৮৯৭-৪০৭-৪৫৬১ নৎত্রগা ৮৭৮৭-৫৩৪৫-০৪ দা টেলিফোন তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগী য়েংলগা ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবা বস সার্ভিস লৈরগনি হায়রি। ত্রান্সপোর্টকী দাইরেক্তর-খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়-বস অহুম হয়েং ইম্ফালগী আই.এস.বি.টিদগী উখ্রুলগী শিরুই পাব্লিক গ্রাউন্দা ফাওবা চেনগনি। ইম্ফালদগী অয়ুক পুং ৭, ৭ মখায় অমদি ৮ মিনিট ১৫ দা বসশিং ইম্ফাল থাদোক্কনি। বস ভারানা লুপা ২০০ ওইগনি হায়রি। অদুবু, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং অমদি হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবশিংগী ওইনদি ভারা লৌরোই। মসিগীদমক ঙাক শেনবগী অকনবা থৌরাংসু লৌখৎলে।

**এনআইএ(এল)ঃ** মোরেদা লৈবা ইন্দিয়ান রিজার্ব বটালিয়নগী পোষ্টতা এটেক তৌবদা চেন্নবা থাংমিলার মাতে এলাইজ লেনিন মাতে অসামগী সিলচরদগী এন.আই.এনা ফারে।

মহাক মমাং চহিগী জানুৱারী ১৭ তা মোরেদা লৈবা আই.আর.বি. পোষ্টতা এট্টেক তৌবদা পুলিসকী মীওই অমা লৈখিদবনি অদুগা অনি অমনা শোকখিবা থৌদোক্তা হকথেংননা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

মহাক লালহৌলুপশিংগা মরী লৈনব্রা হায়বদু এন.আই.এনা থিজিনবা

হৌখ্রে।

**দ্রিল (এল)ঃ** নোংথক্তগী লান্দারকপা য়াওনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা মতমদা মীয়াম করমা চেকশিন্না লৈগদগে হায়বগী মতাংদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল ঙসি নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী তেংকোংজাং হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা দ্রিল অসিদা খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা খুদক্কী ওইবা হোস্পিতাল শেমগৎপা, মী কনবা, ফর্ষ্ট এইদ পীবা, মৈ পুংমুৎ মুৎপা মতমদা করি চেকশিল থৌরাং লৌখৎকনি হায়বনচিংবশিং মীয়ামদা মরুওইনা মহৈরোইশিংদা তাকপী তম্বীরিখ।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা সি.সি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোকখি। দ্রিল অসিদা পুলিস, ফয়ার সার্ভিস, হকশেল বিভাগ, এম.এস.পি.দি.সি.এল, এন.সি.সি, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনচিংবা শরুক য়াখি।

ককচিং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ২৮ শুবা সেক্তর অসাম রাইফল, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেবেল গভরমেন্ট দিপার্টমেন্টশিংনদুনা শিনদুনা ককচিং দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দ, এস.পি. ককচিং-লাইশ্রম প্রিয়াদসনি, এদিসনেল এস.পি (ওপস) বিনোয় চোংথামনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ময়াংলন্বম রামেশ্বরনা হায়রি- ইং ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা ককচিং কেন্দ্রদা লৈরিবা লম্বীশিং নুঙগী ব্লোক থাবা লোয়শিনগনি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়-ৱাফম অসি ঙসি

এম.এল.এ. রামেশ্বরনা ককচিংগী ৱাইরিগী কমালা পরেংদগী খা মনিপুর কলেজ তাবা লম্বী শেম্বগী থবকশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-কেন্দ্র অসিদা মমাংগী সরকারগী মতমদা সেঙ্কসন তৌরম্বা প্রোজেক্টশিং-অমরুট টুগী ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমসুং হোস্পিতাল থবকশিংগী লোয়শিন্নবা কন্না হোৎনরি।

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্রগী গহ মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভরসিতি-মনিপুর কেম্পস, পাংগৈগা খুৎশমদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ এনন্থ্রোপোলোজি অমসুং আই.ক্যু.এ.সি. খা মনিপুর কলেজ-ককচিং অনিনা পুন্না শিনদুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ষ্টেট লেবেল ৱার্কশোপ ওন প্রাক্তিকেল এক্সপেক্স ওফ ফোরেন্সিক এন্থ্রোপোলোজিগী মতাংদা ঙসিদগী হৌদুনা খা মনিপুর কলেজ-ককচিংগী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কলেজ অদুগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং, নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভরসিতিগী ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং অদুগা অতোপ্পা কলেজগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**দিংগো (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমলোংগৈদা নৌনা শাবা হৈরাংখোঙনুং লাইরেম্বীগী শঙলেন অমা হৈখাম দিংগো-এম.এল.এনা ঙসি শঙ্গাখ্রে লোয়ননা সেকমাই কেন্দ্রদা অহানবা ওইনা এস্ত্রো তব অমসু শঙ্গাখি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয় মশেল পুকচেল খোইজেল তিন্নরবতদা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা ঙমগনি।

**ফুদ সেফতি(এল)ঃ** ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরদ ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া অমদি ফুদ

সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা ইন্দোরদা লৈবা স্কেস দা আর্ট টু ক্রেটকা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা বেসিক ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি সি.এম.ও. থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনেল হেলথ মীসনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ফুদ সেফতি সুপরভাইজর কোর্স বেসিক কেটরিং এন্দ মেন্যুফেকচরর লেবেল ৱান হায়না মিংথোনবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু থৌবালগী সি.এম.ও. ৱাই. নোকুলনা হৌদোকখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু অনুপ কুমার তিৱারিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**বিষ্ণপুর(এল)ঃ** গ্লোরি চিলদ্রেন হোম-মোইরাং থমাপোকপীদা ঙসি চিলদ্রেন ফেষ্টিবেল পাঙথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা অঙাংশিংগী তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎথোকপা ঙম্বা ফেষ্টিবেল অসি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-বিষ্ণুপুর, ন্যু লাইফ ফাউন্দেসন মনিপুর, নপসা মুক্তা অভিয়ান কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**মেদিকেল(এল)ঃ** ডা.অজিন মরিংমৈনা নোনে জিলাগী অনৌবা চিফ মেদিকেল ওফিসর ওইরগনি। হান্না চিফ মেদিকেল ওফিসর ওইরম্বা জিয়াং থিউলুং কামৈনা জিলা অসিগী নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী দষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর ওইনা থৌ পুরগনি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী চরোই চকোটলোংগী খুল অহুমদা খোই য়োকপগী ত্রোন্নিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হ দক হায়দোকখিবা ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাগী অন্সর স্ক্রিপ য়েংগদবশিংনা হয়েংদগী

হৌরগা ওফিস অসিদা অয়ুক পুং ১০ দগী নংথিল পুং ৪ ফাওবদা য়েংলবা য়াগনি। মসি কাউন্সিলগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা মৈ লান্না শিজিন্নবা য়েংশিনবগী দ্রাইব চথবদা লমলাই সব দিভিজন এরিয়াদগী কঞ্জুমর ১০, সুগ্ সব দিভিজন এরিয়াদগী অমা, থৌবাল সব-দিভিজন এরিয়াদগী অমা, য়াইরিপোক সব দিভিজন এরিয়াদগী মঙা, পুন্না কঞ্জুমর ১৭ ফাগৎলে। লোয়ননা মৈ হুরান্দুনা থাল্লম্বগীদমক কঞ্জুমর ৮ গী মৈ ককথৎখ্রে।

**লান্মীঃ** ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মরক্তা তৌনখিবা সিজ ফয়ারগী মতম ঙরাং লোয়খ্রে হায়রিবদু ভারত লান্মীনা য়াখিদ্রে।

লান্মীগী পাউনা হায়-মিলিটরি ওপরেসন্সকী দিরেক্তর-জেনরেলনা ঙরাং পাকিস্তানগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবা লৈতে। পাকিস্তাননা সিজ ফয়ার থুগায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা ভারত্তা খুদোংচাদবা থোকহনবগী থবক মমাংদা কয়ারক হন্না চথখিবা অদুগী য়েংলগা হন্দক্কী সিজ ফয়ার অসিগী ওইনা অরোইবা নুমিৎ হায়বা অমা লৈত্রি।

থা অসিগী ১২ দা মিলিটরি ওপরেসনগী দিরেক্তর জেনরেলশিংগী থাক্তা ৱারী শান্নখিবা অদুদা নাকল অনিমকা নোংমৈ মরু অমত্তা ফাওবা কাপদবা হায়না য়ান্নখিবনি। মসিগীসু মথক্তা ঙমখৈ পরিংদা লান্মী মশিং তপা তপা হন্থহনবা হায়বা ৱাফমদুসু য়ান্নখি।

**শিবরাজঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহনা হায়রি-ভিক্সিত ক্রিসি সংকল্প অভিয়ান কেম্পেইন থা অসিগী ২৯ দগী জন্ ১২ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা চথগনি।

কেম্পেইন অসি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা লৌউ শিংউগী থবক

থৌরমদা অনৌবা মখলগী টেকোলোজি শিজিনহন্নবা ৱাখল্লোনদা চংথগদবনি। মসিদা অনৌ অনৌবা মখলগী শেমদোক্লবা মরু-মরাংশিং থাহন্নবগী মতাংদসু লৌমীশিংদা নীংথিনা খঙহনগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী চৌহাননা হায়-কেম্পেইন অসি লৈবাক অসিগী জিলা ৭২৩ দা চংথগনি। লৌমী কোতি অমা মখায়রোম কোনশিনগনি। মসিগীদমক লৌমীশিংদা অনৌবা মখলগী টেকোলোজি শিজিনহন্নবগীদমক বৈগ্যানিককী টিমশিংনা খুঙ্গং লিশিং ৬৫ দা চৎতুনা মথৌ তৌগনি। টিমশিং অদুনা নোংমদা জিলা থাক্কী মীতিং অহুমলক পাঙথোক্কনি।

শ্রী চৌহাননা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা লৌউ শিংউনা য়াঙলেন শরূ ওইরিবনি। হৌজিকসু মখা তানা লৌমীশিংনা পোৎথোক পুথোকপগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি।

**জেকেঃ** জম্মু কাশ্মিরগী রাজোরি অমসুং পুঞ্চ জিলাশিংগী লোন্নবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চংথরি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-জিলা অনি অসিদা আইননা য়াদবা মওংদা চিংননিংঙাই ওইনা মীওই খরা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী অককবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক অদু চংখিবনি। ঙরাং নুমিদাং নৌসেরা এরিয়াদা মীওই অহুম চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চৎথোক চৎশিন তৌই হায়বগী পাউ নুপী অমনা সেক্যুরিতি ফোর্সতা পীরকপনি। মদুগী মতুং ইন্না থিবা হুন্বগী থবক চংথবা হৌখিবনি। হৌজিকসু মখা তানা পুঞ্চ জিলাগী উমংগী শরুকশিংদা পাক্তকনা থিবা হুন্বগী থবক চংথরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউ ফংদ্রি।

**ইসরোঃ** আর্থ ওবজর্ভেসন সেটিলাইট ঈ.ও.এস-০৯ থমফম থোকপা সু দ্রংদা পি.এস.এল.ভি রোকেটনা থন্বা ঙমখিদবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ন স্পেস

রিসর্চ ওর্গনাইজেসন(ইসরো)না থিজিল্লগনি। মসিগীদমক ইসরোনা কন্মিতি অমা শেমখ্রে। ইসরোগী চেয়রমেন ভি.নরায়ননা হায়-কন্মিতি অসিনা পি.এস.এল.ভি মাই পাকখিদবা অসিগী মতাংদা ঙরাংসু অখঙ অহৈশিংগা মীফম পাঙথোকখি।

**মেটঃ** ইন্দিয়ন মেট বিভাগনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ ৫-৬ নি অসিদা অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্যশিং অমদি নোংচুপ বঙ্গালগী মফম খরদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা কেরালা, কর্নাতিক, গৌৱা অমসুং মহারাস্ত্রদসু অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। তামলি নাদুগী মফম কয়াদা ঙরাংদগী হৌদুনা অকনবা নোং চুরে। মহারাস্ত্রদা থা অসিগী ২৫ ফাওবা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-সাংলি, লতুর, পর্ভানি অমসুং জালগাউ জিলাদা ঙরাংদগী অখাক অরাও অমসুং নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুবা হৌখ্রে। খা থংবা মহারাস্ত্র অমসুং গৌৱাগী ঙামীশিংনা ঙসি অমসুং হয়েং সমুদ্রদা চত্তনবা মেট বিভাগনা চেকশিন্নবা হায়খ্রে।

অমরোমদা, নোংচুপ থংবা রাজস্থান অমসুং উরিষাগী মফম খরদা থা অসিগী ২২ ফাওবদা কা হেন্না শাবা ময়োকগনি হায়রি।

**কাং(এল)ঃ** শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপ য়াইস্কুল কাংশঙদা চঙ্থরিবা ১৮ শুবা প্লেয়ারস ত্রোফি লিক কম নোক আউট কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কে.কে.সি.ও. কাংখুৎ অমদি নম্বোল কাংখুৎ পাঞ্জল ২০-২০ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোঙখোং আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চঙ্থরিবা অনিশুবা পেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা-দিমাপুর

রোড এঠলেটিক য়ুনিয়ননা অনৌবা ইমাগী মঙালবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীবু পাঞ্জল ৭-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ৱার্ড ক্লব এফ.সিনা এস.কে.এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা, পি.পি.য়ু. কুম্বীনা বি.ৱাই.দি.ও-বোরায়াংবীবু পাঞ্জল ৭-০ দা অমসুং রোসন এফ.সিনা মুখাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** থার্দ এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন, ৱান ডে ত্রোফিগী চেম্পিয়ন-এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা ওইরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা-এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা থাউ-থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইখিবনি।